থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# থাজগী অতোপ্পা শক্লোন অমা




থা হায়বসি নুমিদাংদা অতিয়াদা থোকপা অরংবা পোৎশক অমনি। পোৎশক অসি করিনো হায়বা খঙদ্রিবঁদগী পোৎশক অসিনা মীওইববু ঙাওহল্লম্বা তাই। থা মাবু শৈথাদুনা ইবা ৱারেং-শৈরেং লোন খুদিংমক্কী সাহিত্যদা থেংনদবা লৈতে হায়না থাগী মরমদা ইবা ৱারেং খরদা থেংনখি। করিদইনো খঙদে- ঙসিদি ঐ থাবু খঙনীং নীংশিংলকই। অদুবু, ইগে খল্লুরিবা পাউদম অসিদি থা কৌবা মালেম (পৃথিবী) দা কোয়না উংদুনা লৈরিবা পোৎশক (অর্থকী সেটেল্লাইট, উপগ্রহ) অসিগী মরমদা সাইন্টিষ্টশিংনা চহী কয়া চঙনা থিজিন হুমজিন তৌদুনা খোমজিনখ্রবা ইনফোর্মেসন ময়ামদু নত্তে। মদুগী মতাঙদদি ঐহাক কূপ্পা পারুবসু লৈজদে। খঙনীংবা/থিনীংবগী অপাম্বসু লৈখিদে। ঙসি ঐনা ইগে খঞ্জরুবসিদি পুন্সিসিদা থেংনরকখিবা এক্সপরিয়েন্স অমদি পারুবা/তারুবা লাইরিকশিংদগী পূক্লিংসিদা তুংদুনা লৈহৌবা খরদু তম্লিংলক্কুনা ইরিবনি।

মীওইবগী পূক্লিং (মাইন্দ) হায়বসিসু অঙকপনি। কনানসু ইনশিল্লুবা তৌদনা মতম চূপ্পদা মথৌ তৌদুনা মরৈবা। পূক্লিং হায়বসিগা ৱাখল হায়বসিগা অনী অসি থাদোক্লবা য়াদ্রবা পূংবা (জুরা) নি। অমা লৈত্রবদি অমা লৈবা য়াদবা! অচুম্বা/অশেঙবা হায়বদু শুকওই ওইরোইদবা, মতম চূপ্পদা মঙ/মঙলান ওইরগদবা পূক্লিং-ৱাখল হায়বসি মীওইবনা থাদোকপসু শুপঙম ঙমদে। 'হৌখ্রবা মতম' অমদি 'লাক্কদবা মতম' (পাষ্ট এন্দ প্রজেন্ট) হায়বা অসি শুকলৈ লৈতবা, ঐখোয়গী পূক্লিং-ৱাখলদতা লৈবা মতমগী শক্লোন অমনি। পুন্সি হায়বসিদি হৌজিক কৌবা 'মতম' সিখক্তনা শেম্বনি। হৌজিক'সিদি অশেংবনি, ঙসাই নৎত্রগা হোরেন হায়বদুনা মঙলান'নি। অদুবু পূক্লিংগী মতিক-ময়াই অঙকপনি! মঙলান অসি য়াওদনা 'মীওইবগী পুন্সি' - মশক মচু থোক্ত্রবা শক্তম অমগুম খনহল্লি। হৌজিক হায়বা মতমসিগা শাগোন্ননা লৈবা ঙমদবা পূক্লিং'সিনা খল্লি- 'ঙরাং' কৌবা শিখ্রবা/লোইখ্রবা মতম অদুগা, 'হয়েং' কৌবা পোক্ত্রিবা/লাক্ত্রিবা মতম অনীসিনা পূল্লগা শেম্মী 'ঙসি' কৌবা মতম অমা। অদুবু, তশেংবদি 'ঙসি' কৌবা মতম অদু হেক থুংলবা মীকুপ্তা 'পূক্লিং' মাদি চেনখ্রবনি। পূক্লিং'না নীংখিবশিংদু অমত্তা নত্তে হৌজিক/ঙসি কৌবা মতমসিদা পুন্সিনা পীরক্কদৌরিবশিং অদুদি।

অসুম্না পুন্সিবু মাঙহল্লিবা, ওইদবা মঙলান কয়া শাগৎহল্লল্লিবা পোৎশকশিংদুগী মনুংদা 'থা' সু অমা ওইরল্লে। মালেমগী শিয়োমনুংদগী তাইবঙসিদা লাক্কুনা, পুন্সি শক্তম-লাকপদা পলেম মানসু মচাবু মনমদা পোদুনা, মতম্পাক্তা শুমদ্রিবঁ 'থা থা থাবুংতোন, নচা মোরাম্বী পোবীগে হায়দুনা নাউশুম ঈশৈ শক্কুনা, মঙলৈবাক্তা থিনবগী হৈনবী অমা শেল্লকখি। 'নোংইন'কৌবা নুংশাগী মৈশাদা পাইবা ঙমজদবা উচেক মচা অমনা 'থাবল' দা পাইদুনা শান্নজবদু উরগা মীওইবগী পূক্লিং'না শেমগৎলি- 'থাজ-নোংইন অনীগী নুংশি ৱারী'। নোর্মেল ওইরম্বা পূক্লিংনা এবনোর্মেল ওইরকপগী অহানবা খোঙথাঙনি -'থা' বু 'থাজ' মিংথোল পীরকপা। নোংইন'না কোইপাই পাইজবা, লাইফকী এক্টিভিটি (পুন্সি শিন্থা) অমা পাঙথোকচবদুবু হৌখ্রবা মতমগী নীংশিংবা মরক্তা লৈরগা, মশাগী পুন্সি শিন্থা কাউরক্লবা মীওইবনা মানা পামজবা/নীংজবা কনাগী ৱাখলদা তাউবদুগা পান্দম্নদুনা চোইরোন লোল্লি, শৈরেং ই, ঈশৈ শকই। অসুম্না, থা-থাজ-থাবল মীওইববু মঙ মঙহন্নবগী, ৱাখলগী তাইবঙদা তাউনবগী অচৌবা মরম ওইরকই। অঙাওবা নৎত্রগা ৱাখল মীমান্নদবা/চোইরোল লোনবা অনাবা মখল অসি হৌরকপদা থাগী অচৌবা থৌদাং অমা লৈরমগনি। মরুওইনা, তরং-তরং থোক্লম্বা থাজ'না মশক উখিদবা মতমদা। অদু নৎলমদ্রবদবু, 'থাশি-থানৌ হৌবা' হায়বা মীওইবগী মীমান্নদবা মচৎ অমগী মমিং করম্না থোল্লমগনি।

থা'না মীবু ঙাওহনবদা অচৌবা থৌদাং অমা য়াই হায়বসি হেক্তা হায়জিনবা নত্তেকো। মালেম পূম্ববু খুদুম চনগে থৌরাংলম্বা, খ্বাইদই চাওখৎপা মীওই ফুরুপ অমনি হায়নরিবা 'ইংলিস-জাতি'/বৃটিশ অমদি নোংচুপলোমগী খুন্নাইদসু লৈরমগনি হায়বসি মখোয়গী লোন/ৱাহৈ অমনা তাকই। থা হায়বা অতিয়াদা তাউবা পোৎশকসিগা মরী লৈনবা পোৎশিংবু মশক তাকপদা 'লুনার' হায়বা ৱাহৈ অমা শীজিন্নৈ। থা অমদি পৃথিবী অনীগী খোঙচৎকা মরী লৈননা শেমগৎপা থাপালোন/কেলেন্দর অদুবু মখোয়না কৌই 'লুনার কেলেন্দর'। অদুগা ৱাখল শোইরোম্বা/চোইরোন লোনবা/ঙাওচৎনবা মী অদুবুনা কৌই 'লুনাতিক ওইরবা মী'। ঐ মখোয়গী, ইংলিস লোনগী হৌরকফম নৈনবা মীশক অমদি নৎচদে। 'লুনাতিক' হায়বা ৱাহৈসিগী 'হৌরকলোন' দুসু পারুদে। ঐখোয়গী 'থাশি-থানৌ হৌবা' হায়বা ৱাহৈ-ৱাপা (ফ্রেজ) অসিগী ইংরাজি ৱাহন্থোক করি ওইরমগদগে খল্লকপদা 'লুনাতিক' হায়বা ৱাহৈ অসি নীংশিংলকপনি। অদুদগী কদোমদইনো থা-থাজ-থাবলগী ৱারীগা মরী মরী শমজিন্নখ্রে। খঙদবদই খল্লকপা ওইরম্বসু য়াই। অখঙবা কনানা তাকপীরক্লবদি নুংঙাইজগনি।

থা-থাজ-থাবল'দা অতোপ্পা মীৎয়েংদা য়েংবীবা কনা য়াওরল্লবসু ৱারৌনগুমসি। মঙগী হৌরকফম পূক্লিং'না ওইরম্বা, থাবলগী ৱারীসু পূক্লিংসিনা শাগৎলম্বদুদা থাগী অতোপ্পা শক্লোন অমা লৈবরা? থিনীংলুবনি পূক্লিংনা।

লৌশিং পুক্কে

# তূম্বা ৱাৎপনা ওইহল্লকপা খুদোংথিবশিং



মপুং ফানা তূম্বা হায়বসি হকচাং ফনা থম্নবগীদমক্তদি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি। নুমীদাং মপুং ফানা তূম্বনা হকচাংগী কয়াৎ পুম্নমক মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমহল্লি। কনাগুম্বনা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহন্নিংলবদি নুমীদাং মপুং ফানা তূমদবা মতমদা পান্দম ফংবা ঙল্লোই।

জর্মনিগী ম্যুনিকতা হন্দক্তা পাঙথোকপা য়ুরোপিয়ন সোসাইটি ওফ কার্দিওলোজিগী মীফমদা পুথোরকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়, নুমীদাং পুং ৬ ফানা তূমদ্রবদি এসিম্পটোমেটিক এথরোসক্লেরোসিস ওইহল্লকপা য়াই। ঈ উতোংশিং কনশিল্লক্কুনা ফুঞ্জিল্লকপগী থৌওংবু এসিম্পটোমেটিক এথরোসক্লেরোসিস হায়না খঙনৈ। মশা-মউ ফবা অমসুং মীয়ায় চল্লবা মীওই ৪,০০০ দা চথখিবা ষ্টদি অমদগী ৱাফম অসি খঙলকপনি। মীওইশিং অদু কাঙলুপ মরি থোক্লা খায়দোক্লগা তূম্বগী মওং-মতৌ খেন্নহল্লম্মী। পুং ৬ ফানা তূমদবা, পুং ৬ তগী ৭ ফাওবা, পুং ৭ তগী ৮ ফাওবা অমসুং পুং ৮ হেন্না তূমহন্দুনা কাঙলুপ মরি অদুবু তূম্বগী মতম মান্নহল্লমদে।

ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, মপুং ফাবা তূমদবা মীওইশিংগী ঈ উতোংদা মপং-মপং পৈশিল্লকপদগী কনশিল্লকই অমসুং খুজিল্লকই। খোঙ অমদি ঙকশমগী ঈ উতোংদা থ্রী-দি অল্ট্রাসাউন্দ শীজিন্নরগা য়েংবদা ফীভম অসি খঙলকপনি।

চাংচৎতা মশাগী চহী ৪৬ শুরবা মীওইশিং অদু মপুং ফানা তূমদবা মতমদা ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, হকচাংগী অরূম্বা হেনবা অমসুং দাইবেটিসনচিংবা মেটাবোলিক সিন্দ্রোমগী রিস্ক ৱাংখৎলকপা থেংনখি। মরম অদুনা মীপুম খুদিংমক নুমীদাং মপুং ফানা তূম্বগী তঙাইফদবা লৈ।মীওইবনা মথৌ ফনা য়াম্না চিল্লবসু থবক অমা তৌবদা মতম কাইথোকপা ঙল্লিবসি তূম্বগী মতমনি। অহিং তূমদবমখৈ লাইরিক পাবা নৎত্রগা থবক শুবা হায়বসি কেন্দল অমগী নাকল অনীমক্তা মৈ চুবগুম্বনি। মপুং ফানা তূমদ্রবদি ৱাখল খনবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হন্থখিবগা লোয়ননা অচুম অরান খন্দোকপদা ৱানা থোকই, লৌশিং তানশিনবদা শোৎথরকই অমসুং থবক তৌবদা শোয়বা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই। নোংমা ফাদোক নত্তনা মতম শাংনা তূম্বা ৱাৎলবদি হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলকই। দাইবেটিস অমসুং থম্মোয়গী লায়না ওইহল্লকপদগী মনুং মতম চাদনা শিহনবা য়াই।

হীরম অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ষ্টদি কয়া চথবা লৈখ্রে। ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়, তূমশিৎ ফাদ্রবদি ৱাখল খনবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হন্থখিবা মরম্না থবক তৌবদা অশোয়বা কয়া য়াওরকই। গাড়ী থৌবদসু খুদোংথিনিংঙাই ওই।

জর্নেল ওফ অমেরিকান মেদিকেল এসোসিয়েসন (জে এ এম এ) গী রিপোর্টনা হায়, অয়াম্বা মতমদা মপুং ফানা তূমদবা মীওইশিং বোদি মাস ইন্দেক্স (বি এম আই) ৱাংখৎলক্কুনা হকচাংগী অরূম্বা অমসুং অনোয়বা হেনগৎলকই। মীওইবনা তূম্লিঙৈদা এপেটাইট, এনর্জি মেটাবোলিজম অমসুং গ্লুকোজ থাদোকপগী থৌওং কন্ট্রোল তৌনবা হোর্মোন পুথোকই। মপুং ফানা তূমদ্রবদি হায়রিবা হোর্মোনশিং অসিগী খল কায়রকই। মদুনা মরম ওইরগা দাইবেটিস, হকচাংগী অরূম্বা হেনবা অমসুং থম্মোয়গী লায়না ওইহল্লকপনি হায়রি। নুমীৎ খুদিংগী হেঞ্জিন্না তূম্লগসু চপ মান্নবা মওংদা খুদোংথিনিংঙাই ওই।

ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, তূম্বগী চাং ৱাৎপসু য়াদে, হেঞ্জিনবসু য়াদে। তূম্বা ৱাৎলবদি হকচাংনা কোর্টিসোল কৌবা ষ্ট্রেস হোর্মোন অমা চাং ৱাংনা থাদোরকই। চাক চাবা তোক্লগা ইন্সুলিন থাদোরকপগী চাংসু হেনগৎলকই। মসিনা হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎহনবগা লোয়ননা দাইবেটিস ওইহল্লকপা য়াই। ঘ্রেলিন কৌবা মীওইবদা অরাম খৌরাংবা ফাওহল্লিবা বাইওকেমিকেল অমগী চাংসু ৱাংনা থাদোরকপা মরম্না হেঞ্জিনবা মওংদা চাশিন্নবগী মরম ওইহল্লকই।

হকচাংনা গ্লুকোজ পুথোকপগী মওং মতৌদা অহোংবা লাকহনবা মরম্না তূমশিৎ ফাদবা হায়বসি টাইপ টু দাইবেটিস ওইহল্লক্লবগী মরুওইবা মরম অমসু ওইরি। অতোপ্পা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়, হাইপরটেন্সন লৈবা মীওই অমনা নোংমত্তং ওইরবসু তূমশিৎ ফাহৌদবা থোক্লবদি মথংগী নুমীৎ চুপ্পা ব্লদ প্রেসর ৱাংদুনা লৈ। মসিনা মরম ওইরগা কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজ অমসুং ষ্ট্রোক্কী রিস্ক হেনগৎলকই। য়াম্না শেংনা হায়রবদা নুমীৎ খুদিংগী পুং ৬ য়ৌনা তূমদবা, নৎত্রগা পুং ৯ হেন্না তূম্বা মীওইশিং কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। নোংমত্তং তূমশিৎ ফাহৌদবদা ইতন-তন্থবা, ইথৌদা পূক্লিং চঙদবা অমসুং খোয়রাং খোয়শাউনবা ফাওরকপগী থৌওং মীওই অয়াম্বনা ইতৎ তৎতনা থেংনবিরনি। মতম শাংনা তূম্বা ৱাৎলবদি ৱাখল খনবগী মওং হোংলক্কুনা দিপ্রেসন, এঞ্জাইটি মেন্টেল দিষ্ট্রেস অমসুং অতৈ পূক্লিং-ৱাখলগী ওইবা লায়নাশিং ওইহল্লকপা য়াই।

মীওইবনা হকচাং ঙল্লক্ত্রবা মতমদা ফমুংদা চঙদুনা হিপ্পা হায়বসি হৌনশানি। মহিক মতাই অমদি অনা অয়েক পুম্নমক ঙাকথোক্লবা মীওইবগী হকচাংদা য়াওরিবা ইম্যুন সিষ্টেমসু চোকথবা নাই। অয়াম্বা মতমদা তূমশিৎ ফাদ্রবদি ইম্যুন সিষ্টেমগী মপাঙ্গল শোন্থরকই। মদুনা মরম ওইরগা মহিক মতাই চঙলক্কুনা লায়না কয়া ওইহল্লকপা য়াই। হকচাং ঙল্লক্তবা তারবসু মপুং ফানা তূম্বা তারবদি অতেনবা মতমগী মনুংদা ফগৎলকই। তূম্বা য়াগন্দবা নৎত্রগা মপুং ফানা তূমদবা মীওইশিংদি ইচম চম্না লোক থুংবা তারবসু পাক হেক ফৌ হায়বা য়াদে।

কনাগুম্বনা তূম্বা য়ানবনি হায়দুনা য়ু থকপা য়াওই। অদুবু য়ু থকপনা ঙাইহাক তূম্বা য়াহল্লবসু মতুং তারকপদা তূম্বা য়াদবা অমসুং হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌওং কয়া ওইহল্লকই হায়বা থিজিনবদগী খঙলে। হকশেলদা চাউনা অকায়বা থোকহনবা মরম্না অয়াম্বা মতমদা মপুং ফানা তূমদবা মীওইশিং পুন্সি তেল্লি হায়বসিদা থোইদোক্লা ঙক্লিংঙাই ওইদে। নোংমদা পুং ৫ ফানা তূমদবা মীওইশিং মনুং মতম চাদনা শিবা য়াবগী রিস্ক চাদা ১৫ হেনগৎলকই। অদুবু মপুং ফানা তূম্বগী কান্নবা পুম্নমক মীওই অয়াম্বনা খঙনদবগী ফীভমদা লৈরি।

# থৌবাল, জিরিবামদসু ইন্টেন্সিফাইদ দাইরিয়া কন্ট্রোল ফোর্টনাইট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

নেসনল হেল্‌থ মিসনগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেল্‌থ সোসাইটি থৌবালনা শীন্দুনা ইন্টেন্সিফাইদ দাইরিয়া কন্ট্রোল ফোর্টনাইট, আই দি সী এফ ২০১৯ ঙসি থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবা ক্ষেত্রি লৈকায় হায় স্কুলদা হৌদোকখ্রে।

জিরো চাইল্ড দেথ দ্যুট টু দাইরিয়া হায়বা পান্দমদা চথগদবা থৌরাং অদু হৌদোকপগী থৌরমদা দি ঐচ এস থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট মিসন দিরেক্টর অমদি সী এম ও, ডা. এন জয়ন্তকুমারনা অথোইবা মীথুং, দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফ্যের ওফিসর থৌবাল ডা. কে এস ঐচ মেমচানা থৌরম মপু অদুগা আই সী দি এস থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসর টি অনিতা, জেদ ঈ ও জোন থ্রী থৌবালগী এম ঈ এস, এ রেবিকা অমসুং ক্ষেত্রি লৈকায় হায় স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেস নিংথৌজম বিমোলানা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোলদা, দিষ্ট্রিক্ট মিসন দিরেক্টর অমদি সী এম ও থৌবাল ডা. এন জয়ন্তকুমারনা দাইরিয়া অসি করিনো, করি করম্না লায়না শন্দোকপা অমদি লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা ঐখোয়না মতৌ করম্না করি করি খোঙথাংশিং পায়খৎকদগে হায়বনচিংবশিং শন্দোক্লা মীয়ামদা থমখি।

থৌরম মপু ওইখিবা দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিসর ডা. কে এস ঐচ মেমচানা আই দি সী এফ, ২০১৯ অসি মায় পাক্লা পাঙথোকপদা অশাশিং, এ এন এমশিং, ওজাশিং অমদি অঙ্গনৱাদি ৱার্কৰশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। সী দি পি ওশিং অমসুং আই সী দি এসকী সুপভাইজরশিংসু চাউরবা থৌদাং লৈ হায়খি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা শরুক য়ারিবশিংদা ও আর এস, জিঙ্ক টেব্লেটশিং য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুগী মাঙওইননা দিষ্ট্রিক্ট হেল্‌থ সোসাইটি থৌবাল অমসুং নেসনল প্রোগ্রাম ফোর কন্ট্রোল ওফ ব্লাইন্দনেস থৌবাল অনীনা হান্না মীৎকী চাংয়েং পাঙথোক্কুনা মীৎ শোক্লে হায়না খঙদোকখ্রবা ক্ষেত্রি লৈকায় হায় স্কুলগী মহৈরোয় ১৪ দসু পৱার আনোকশিংসু য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, নেসনল হেল্‌থ মিসনগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেল্‌থ সোসাইটিনা শীন্দুনা জিরিবাম বাবুপারাদা লৈবা সী এম ওগী ওফিসতা ইন্টেন্সিফাইদ দাইরিয়া কন্ট্রোল ফোর্টনাইট (আই দি সী এফ), ২০১৯ হৌদোকখ্রে।

চহী অসিগী জুন ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবা আই দি সী এফ হৌদোকপগী থৌরমদা জিরিবামগী সী এম ও, ডা. এলাংবম ওকেন্দ্রো, ডা. সরোজা, ডা. চিত্রমালানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

সী এম ও, ডা,. ওকেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ঙসি আই দি সী এফ লোঞ্চ তৌরি। জিরিবামদসু ঙসিদগী প্রোগ্রাম অসি হৌদোক্লে। দাইরিয়াদগী ঙাকথোক্লবা প্রোগ্রাম অসি পায়খৎলকপনি। ও আর এস অমসুং জিঙ্ক টেব্লেট করম্না পীজগনি হায়বগী মতাংদা আশা ৱার্করশিংদা নীংথিনা তাকপীদুনা মফম কয়াদা অঙাংশিংদা দাইরিয়াগী হিদাকশিং পীজগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা আশা ৱার্করশিংদা জিঙ্ক অমসুং ও আর এস পীজবগী মওংশিং তাকপী তম্বীখি।

# ওরিএন্টেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

ষ্টার ৱিমেন এসোসিএসন, শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায়না শীন্দুনা ময়াই কাবা দ্রগতগী মতৌ করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ওরিএন্টেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

ৱাইখোম লৈকায় বাস্কেট বোল গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রিমসকী সাইকিয়াট্রিক দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসর আর কে লেনিননা ময়াই কাবা দ্রগতগী ঙাকথোক্লবগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি। সোসল ৱার্কর জয়বালানা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখি। আই এম সীগী মেয়র এল লোকেশ্বর, ডা. লেনিন, পুয়াম থোইবনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। ষ্টার ৱিমেন এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট থোইবীনা প্রসিদেন্ট ওইখি।

# এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি) দা বি ঈ, সিবিল এঞ্জিনিয়রিং, কম্প্যুটর সাইন্স, ইলেক্ট্রোনিক্স, মেকানিকেল এঞ্জিনিয়রিং, ইলেক্ট্রিকেল এঞ্জিনিয়রিং, এম টেক সিবিল এঞ্জিনিয়রিং, কম্প্যুটর সাইন্স, ইলেক্ট্রোনিক্সকী অহানবা সেমিষ্টর প্রোগ্রামগী ওইনা একাদেমীক সেসন অসিদা মিং চনবা পাম্বশিংনা এপ্লিকেসন থারকপা য়াগনি হায়না এম আই টিগী প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ আর কে হেমাকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। এপ্লিকেসন ফোর্ম ঙসিদগী ইস্যু তৌরে। ফোর্ম সবমিসনগী অরোইবা নুমীৎ জুন ১০ ফাওবনি হায়রি।

ꯄꯥꯏꯅꯋꯨꯗ ꯚ꯭ꯌꯨ ꯁ꯭ꯀꯨꯜ
Pinewood View School
Learn, Excel and Serve
SANGAIPROU, OPPOSITE ISKCON TEMPLE, IMPHAL
A Co-educational Higher Secondary School
Affiliated to Council of Higher Secondary Education Manipur
ADMISSION OPENS
FOR CLASS XI (Sc.) 2019 - 2020 Session
PRINCIPAL: L. Somarjit Singh, Retd. Associate Prof. Imphal College, Imphal
GUEST LECTURERS
Kh. Dinokumari Devi, Retd. Senior Lect. English
L. Ramananda Singh, Retd. Associate Prof. Chemistry
C. Ibotombi Singh, Retd. H.O.D. Mathematics D.M. College
Ch. Rajendro Singh, Retd. Associate Prof. Imphal College
ADVISORS
A. Puru Singh (Chemistry)
N. Singhajit Singh (Physics)
FOUNDERS
L. Kumarjit Singh (Biology), FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
S. Nikunja Singh (Mathematics), FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
FACULTIES
Kh. Anjila (English), FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
Meouni Lalshram (Biology), M. Sc. Biology, NET (JRF)
A. Sangita Chanu (Chemistry), FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
Jeetchand Sanabam (Physics), FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
N. Rojesh Singh (Mathematics), FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
I. Sures Singh (Mathematics), FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
FACILITIES

| | |
|---|---|
| For Rankers : | Freeship + Scholarship |
| 85% & Above But Below Rankers: | Freeship + Scholarship of ₹ 3000/- per month for 2 years. (Limited Seat) |
| 80% & Above But Below 85% : | Freeship (Limited Seat) |
| 70% & Above But Below 80% : | Admission Fee free (Limited Seat) |
| 65% & Above : | Direct Admission (Limited Seat) |

pinewoodviewschool@gmail.com
Learn, Excel and Serve
HL-P/5371/22/5-12/6

ADVANCE SCHOOL
Regd. No. 1529/SR/IW/2019 under Govt. of Manipur
A Co-educational Institution under COHSEM
CHANGANGEI UCHEKON, IMPHAL WEST, NEAR AIRPORT
ADMISSION OPEN
for CLASS XI (ARTS & SCIENCE)
Admission Procedure
1st to 25th Rank holder in HSLC 2019 Benefits:
* Free Admission fee for Class XI & XII
* Free school monthly fees for Class XI & XII
* Monthly scholarship Rs.5000/- (five thousand)
* Free uniforms
* Free transport fees
* Free book grant
* Free hostel fees
* Free extra class
80% and above Benefits:
* Free Admission fee for Class XI
* Free school monthly fees for Class XI
* Free uniforms
* Free transport fees
* Free book grant
* Free hostel fees
* 50 seats limited first come first serve
70 % above and 80% below:
* Free uniforms
* Free book grant
* 50 seats limited first come first
60 % above and 70% below:
* Direct admission
* Free book grant
* 50 seats only first come first serve
• 80 % below can face the school screening test
• 1st to 10th position in the screening test 2019 :free Admission fee for class XI both Arts & Science (students who are already admitted will be refunded back)
Founders
Last date of admission : 31/5/2019
Office timing 9:30am-4:30p.m
EXTRA BENEFITS
* Medium of communication is only in English
* Class test will be conducted every week
* Free football class every Saturday
* Students & Parents Free Medical check-up every after 3 months
* Free extra class for all the weaker students
* Class duration 1 hour
* Boarding facility for both boys and girls separately
Contact No.: 9366537392 / 9077210533 / 7005022183
HL-P/4201/27/5-9/6 (alt)

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ, চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৯।০৫।২০১৯ ইং,য়ুমশাকৈশা, নুংথিল পুং ৩.২১ ফাওবা কালেনগী ২৫ নি পাল্লি, মতুং ২৬ পানগনি।

**মেষ :** নচা-ননাইনা নরলদা মীতাবা অমদি অনম তাল্লগা লন মাঙহনবা য়াবা লৈ। ইমুং-মনুংদি ৱাখল তামিন্নবা অমদি হরাওবা, নুংঙাইবা লৈগনি। নীংবা মপাদি চাদে।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**বৃষ :** নকন্থিনা নরল মাঙহনবা অমদি চাদিং হন্থনবা খোইরাংবা ফাথৌ। মরী-মতাগী মতেং লৌবা য়াগনি অমদি ললোনবদা মায় পাকপা লৈগনি। হন্থবা লোয়নরদি চোপকনি।
লৈশা পাখংশিংগী : লাইবক ফবা খরদি ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**মিথুন :** লেংদবা লন লেপশিনবা য়াবা অমদি থবক পাংবা ঙম্বা ৱাখল্লোন পোকপা নুমীৎনি। অদুবু য়েক্লবা চাওখৎকনি অদুনা য়াকা য়েংনা চৎলু অমদি য়েৎনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী : থাগৎপীবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কর্কট :** হকচাং নুংঙাইতবা, মীচং ৱাৎপা, মীপাইনিংঙাই ওইবা লৈগনি। অদুবু অঙম্বনা চানবীবা, শেল-থুমগী থবক্তা কান্নবা অমদি মরুপ-মপাং ফংবৈ নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশি মরী ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**সিংহ :** থৌনা হন্দবা, ইচং থৌবনা থবক পাংবা অমদি শেল ফংবা লৈগনি। ৱানোম-থৌনোম কান্নগনি লোয়ননা মরুপকা পুনবা থবকসু মায় পাক্কনি। ললোনবদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : লাইবক লৈতে, চেকশিল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**কন্যা :** খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংবা ঙসিসু লৈগনি। অনীংবা থবক্তা খূৎচাও থাবা য়াগনি অমদি লোয়নবশিংগী মতেং লৌবা ফংগনি। চীঞ্জাক চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**তুলা :** লম অয়াম্বদা মায় পাক্কনি, মরুপ্পা চানগনি, ননাই চাওখৎকনি অমদি য়েক্লবা হন্থগনি। লম চৎপা অমদি অরাপ্পা শঙ্গ তৌবদি মাঙজবা লৈ, ইনশিনবা লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী : শেরান্ননা খন্নবা য়াবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক :** মতম মাঙবনা হেনগনি অদুনা ওইরোইদবা থবক্তা হোয়া ফবা অমদি ইচং থৌবা লেপ্পু। মীতোপ্পা ৱাহনবা লৈতনবা পূক্লিংগী ওইবা ৱা ঙাঙথোক্কনু। থিজিনখো।
লৈশা পাখংশিংগী : ৱারৌনবা লৈগনি
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**ধনু :** কান্নগদ্রা হোৎনরগা য়েক্লবদুম ওইবা য়াবা লৈ অদুনা খন্থদনা মীগী থবক্তা য়াওরুনু। অরিবা থবক পাংবা, মীংচৎ ফংবা অমদি ইমুং-মনুং ৱাতান্নবা কান্নবা নুমীৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশিবনা হেন্না চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মকর :** লাইবক থোইনা ফগনি, ইমুং-মনুং হরাওনা লৈগনি অমদি ললোন ইতিক্কী থবক্তা শোয়দনা মায় পাক্কনি। য়েক্লবা অমদি নথক থোংবনা তাথীবা খরসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী : ৱাখল নুংঙাইবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**কুম্বা :** নীংবদুমক পাংদা য়াদে খনগনু, মরুপ অমদি অঙম্বগী মতেংনা কান্নবা য়াম্না ফংগনি। অহৈ-অশিং শারদি মাঙবতনা থনগনি। কায়নবা য়াবা লৈ-ৱা ঙাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশিবনা য়াম্না চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিন :** হরাওবা-নুংঙাইবা অমদি নীংবা মপা চাবা নুমীৎনি। য়েক্লবা ঙমজদুনা মীকোক থোংবা লৈগনি অমদি নথক থোংবনা চানবীবনা নচাক নরল চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নীংবা শোয়দনা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।